# শান্নরোয়শিংনা লৌখিবা থৌদাংবু নীংশিংদুনা শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ১৯৯৯ দা পাঙথোকখিবা ৫ শুবা নেসনল গেমসতা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা লৌখিবা থৌদাং অমদি গেমস অদুদা মণিপুরনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইদুনা রাজা ভলেন্দ্র সিংহ ত্রোফি লৌখিবা নুমিৎ ফেব্রুৱারী ২৫ বু নীংশিংদুনা ঙসি শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে।

ফেব্রুৱারী ২৫ শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ ঙসি য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা লমদমসিগী শক্লাইরবা শান্নরোয়শিং, ওলেম্পিয়নশিং, ৱর্ল্ড কপ্পর, শক্লাইরবা কোচশিং অমদি তোঙান তোঙানবা স্পোর্টস এসোসিএশনশিংগী মীহুৎশিং লোয়ননা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএশনগী ওফিসিএলশিং অমসুং নেসনল স্পোর্টস একাদেমি অমদি সাই এস এ জি খুমন লম্পাক্কী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াখি।

নুমিৎ থৌরম অসিগী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌরম তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়াগী শান্নরোয় ৫০০ রোম্না শরুক য়াদুনা লমজেল চেন্দুনা লমদমসিগী শান্নরোয়শিংনা লৌখিবা থৌদাং অদুবু নীংশিংবা অদুনা ওইখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বরনা ফিরাল হাইগৎতুনা লমথাখি। লমজেল অদু খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মগী গেটতগী লমথাদুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী অকোয়বদা চেনখি।

থৌরম অদুদা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএশনগী সেক্রেটরি সুনিল এলাংবম, সাই এন ঈ আর সী ইম্ফালগী দিরেক্টর ফ্রান্সিস মার্ৱিন অমসুং য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী মরুওইবা থৌ পুবশিংনা দাইজদা ফমখি।



থৌরম অদুগী ৱারোল পীরদুনা চীফ সেক্রেটরি ও নবকিশ্বরনা হায়, পীক্লবা মণিপুর ষ্টেট অসি য়াম্না মীশিং য়ামজদবা লমনি। লমদমসিদগী থোক্লকপা শান্নরোয় কয়ানা লৈবাক অসিগী শান্নবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা স্পোর্টসকী পৱার হাওস অমা ওইরি।

লমদমসিদগী থোকখিবা শক্লাইরবা শান্নরোয় কয়ানা লমদমসিবু মীংচৎ পুরকপদা হেন্না অচৌবা থৌদাং লৌরি। শান্নবনা ঐখোয়গী হকচাং ফহনবদা নত্তনা থকসি-খাসি লৈহল্লি। হকচাংদা অনা অয়েক লৈহন্দে। শান্নবনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অমগা অমগা হেন্না নুংশিনহনবা পুরকই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা মঙাশুবা নেসনল গেমসতা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইদুনা রাজা ভলেন্দ্র সিংহ ত্রোফি লৌখিবা নুমিৎপু নীংশিংদুনা ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা ফেব্রুৱারী ২৫ বু শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ হায়না পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

# নেরোকা এফ সী গ্রুপ বিগী ৱিন্নর ওইদুনা সেকেন্দ দিভিজন লীগকী ফাইনেল রাউন্দ চঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস) : ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না শিন্দুনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চত্থরকপা সেকেন্দ দিভিজন লীগকী ফাইনেল রাউন্দদা মণিপুরগী নেরোকা এফ সী চঙখ্রে।

ঙসি খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা নেরোকা এফ সীগী অরোইবা লীগ মেচ অদুদা নেরোকা এফ সী অমসুং মোহম্মদ স্পোর্টিং ক্লব কোলকটা গোল ১-১ দা দ্রো ওইদুনা পোইন্ট তত্থায় য়েন্নখি।

হোম টিম ওইরিবা নেরোকা এফ সীনা পোইন্ট ১৩ ফংদুনা গ্রুপ বিগী ৱিন্নর ওইদুনা ফাইনেল রাউন্দ চঙখি। সার্উর্দন সম্মিটি কোলকটানা পোইন্ট ১২ ফংদুনা গ্রুপ অসিগী রন্নর্স-অপ ওইনা ফাইনেল চঙখ্রে।

গ্রুপ অনী থোক্না খাইদোক্লিবা সেকেন্দ দিভিজন লীগ অসিগী ফাইনেল রাউন্দ এপ্রিল থাদগী চত্থবা হৌরগনি। ফাইনেল রাউন্দ অসিগীদমক নেরোকা এফ সী শেম শাবা হৌখ্রে। আই লীগতা চঙনবগীদমক তৃম্বা চাবা খঙদনা য়াম্না কন্না হোৎনরিবা নেরোকা এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা ঙসিগী মেচ অদুদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা শান্নখি।

ফাইনেল রাউন্দ চঙনবগীদমক নেরোকা এফ সী ঙসিগী মেচ মায়থীবা য়াদবা অমা ওইখি। মরম অদুনা মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা নেরোকা এফ সী অমসুং মোহম্মদন স্পোর্টিং ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা অকনবা মওংদা শান্নখি।



মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা নেরোকানা গোল অমা মাঙজিল থাখিবগা লোয়ননা মেচ অদু দোমিনেট তৌদুনা চৎখি। অদুবু হাফ মতুংদা নেরোকা এফ সীনা দিফেন্সিব ওইনা শান্নরকখিবদগী তপ্না তপ্না মোহম্মদন স্পোর্টিং ক্লবকী শান্নরোয়শিংনা লাকশিল্লক্তুনা মেচ অদুগী লোইরমদাইদা গোল ইক্বেলাইজ তৌবা ঙমখি।

মেচ অদুদা নেরোকা এফ সীগী মমিং লৈরবা ষ্ট্রাইকর সিঙাম সুভাসনা গোল মাউথ তম্না য়াম্না শাফু কন্না এটেম্প তৌরকপা বোল অমা মোহম্মদন স্পোর্টিং ক্লবকী গোল কিপরনা ঙাকথোরকখি অদুবু বোল অদু নেরোকা এফ সীগী ফোরেন প্লেয়র ইজিগৌ চিনেদু ইমান্যুএলনা য়াম্না খোঙলৈ থুনা কাউশিন্দুনা মেচকী ৩০ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোখি।

নেরোকা এফ সীনা গোল মাঙজিল থাখ্রবা মতুং মেচ অদুগী লোইরমদাই ৮৩ শুবা মিনিটতা ফংখিবা দাইরেক্ট কিক অমা মোহম্মদন স্পোর্টিং ক্লবকী ফোরেন প্লেয়র জিকাহি লিওন্স দোদোজনা য়াম্না হৈশিংনা কাউদুনা গোল ওন্থোকখি।

মায়কৈ অনীমক্না মখা তানা অহেনবা গোল চন্নবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নখি অদুবু টিম অমত্তনা অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদবদগী মেচ অদু দ্রো ওইখি।

# বাখে সনাকৈথেলনা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী থার্দ প্লেস তাখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা অৱা লৈকায় য়ুথ প্রোগেসিভ য়ুনিয়ন (এ এল ৱাই পি য়ু) পাৎশোই পার্ট ফোরনা শিন্দুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২০ দগী চত্থরক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ফাইনেল হয়েং এন ৱাই ভি এ নাওরেম অমসুং আই জি ও ওইনাম অনীনা শান্নরগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী থার্দ প্লেসনা বাখে সনাকৈথেলনা তাখ্রে।

টিম তরানা গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা থার্দ প্লেসকী মেচতা বাখে সনাকৈথেলনা এ এল ৱাই পি য়ু পাৎশোই সেট ৩-২ (২০-২৫, ২৫-২২, ২৫-২১, ২২-২৫, ১৫-১২) দা মায়থীবা পীদুনা বাখে সনাকৈথেলনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না এ এল ৱাই পি য়ু পাৎশোই সেট ৩-০ (৩৬-৩৪, ২৫-২২, ২৫-২০) দা মায়থীবা পীদুনা এন ৱাই ভি এ ফাইনেল চঙখি।

অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা আই জি ও ওইনাম্না বাখে সনাকৈথেল সেট ৩-২ (২৫-২২, ২৩-২৫, ২৫-২২, ২৫-১৯, ২৫-২৬, ১৫-২) দা মায়থীবা পীদুনা আই জি ও ফাইনেল চঙখি।

# সেনিয়র ৱিমেন'স ফুটবোল লীগতা ঈ এস য়ু অমসুং ক্রিপসা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা চত্থরিবা নিপানশুবা অম্ফা সেনিয়র ৱিমেন'স ফুটবোল লীগ ফোর বি এম সী ত্রোফি ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচতা ঈ এস য়ু ৱাংখৈ অমসুং ক্রিপসা নাওরেমথোং মায় পাকখ্রে।

টিম মঙানা শরুক য়াদুনা চত্থরিবা লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা ঈ এস য়ু ৱাংখৈনা এন ৱাই টি ঐচ সী ওক্রম চুথেক গোল ১১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা ঈ এস য়ু ৱাংখৈগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা অমসুং কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নদুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চত্থখি। মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা ঈ এস য়ুগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কন্না শান্নরকপনা



মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা গোল ৭ চনখি। হাফ মতুংদা গোল মরি অমুক চন্দুনা ঈ এস য়ুগী গোল পূন্না ১১ শুখি। টিমদুগী গোলশিং অদু টি ঐচ উমাবতিনা গোল অহুম মেচকী ৫, ২৭ অমসুং ৬১ শুবা মিনিটতা চনখি। আই প্রামেশ্বরিনা গোল অহুম মেচকী ৩৯, ৪০ অমসুং ৭৯ শুবা মিনিটতা চনখি। এম মন্দাকিনিনা গোল অমা মেচকী ১০ শুবা মিনিটতা, ঈ পান্থোইনা গোল অমা মেচকী ৫৪ শুবা মিনিটতা, এন রঞ্জিবালানা গোল অমা মেচকী ৮০ শুবা মিনিটতা, কসমিনানা গোল অনী মেচকী ১২ অমসুং ২৫ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা ক্রিপসা নাওরেমথোংনা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল গোল ১১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা ক্রিপসা নাওরেমথোংগী গোলশিং অদু এন রতনবলানা গোল অহুম মেচকী ১২, ৪৫ অমসুং ৫২ শুবা মিনিটতা চনখি। দাংমৈ গ্রেসনা গোল অনী মেচকী ২৭ অমসুং ৫৭ শুবা মিনিটতা চনখি। ঈ বিদিয়ারানিনা গোল অহুম মেচকী ৪৩, ৫০ অমসুং ৬৮ শুবা মিনিটতা চনখি। এস রঞ্জনানা গোল অমা মেচকী ৭ শুবা মিনিটতা, ৱাই চন্দ্রজিনিনা গোল অমা মেচকী ২৮ শুবা মিনিটতা অদুগা এল আসারানিনা গোল অমা মেচকী ৪৩ শুবা মিনিটতা চনখি।

# হোমেশ্বরি ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি পৱরলিফটিংদা শিলভর মেদল লৌখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): চান্দিগরগী পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটিদা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৩ দগী চত্থরকপা ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী ঙসি হুমনি চনবা নুমিৎতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবী লিফটর কে হোমেশ্বরিনা শিলভর মেদল লৌখ্রে।

হয়েং ফাওবা চত্থগদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিকী কে হোমেশ্বরি দেবীনা মণিপুরগী অহানবা শিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। মহাক্না স্কাদতা কেজি ১৪২.৫, বেঞ্চ প্রেসতা কেজি ৯২.৫, দেথলিফটতা কেজি ১৫২.৫ পূন্না কেজি ৩৮৭.৫ থাঙ্গৎতুনা শিলভর মেদল ফংখি।


ওল ইন্দিয়া ইন্টর য়ুনিভর্সিটি পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা নাওরেম সুসিলানা টিম কোচ অদুগা মোইরাংথেম সুন্দরচান্দনা টিম মেনেজর ওইনা শরুক য়ারি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী হয়েং লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুরগী লিফটরশিংনা মেদলশিং লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

HL-B/3673/17/2-22/3




Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 9435246580

*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com